‘মপান্দগী লৈরিমখৈ রিজনেল সুপরপৱার ওইবা ঙম্লোই’



পনাজি, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাঠ কোভিন্দনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খে মদুদি, ঙাক-শেনগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং মীপান তাংদুনা লৈবা লৈবাক অমত্তনা ইকনমিক নৎত্রগা রিজনেল সুপরপৱার ওইবা ঙম্লোই।

ইন্দিয়ন নেভেল এভিয়েসনদা প্রসিদেন্ট কলর লান্থোকপগা মরী লৈননা পনাজিদা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কোভিন্দনা মখা তানা হায়খি, ক্রাইসিস থোক্লকপা মতমদা ইন্দিয়ন নেভিনা থুনা অমসুং ইফেক্তিভ ওইনা দিপ্লোই তৌবা ঙম্বা অসিনা ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা ‘প্রিফর্দ সিক্যুরিটি পার্টনর’ অমসুং ‘ফর্ষ্ট রেস্পোন্দর’ ওইবগী পান্দম থল্লি হায়বসি উৎলি।

ঐখোয়না ত্রিলিয়ন দোল্লর মঙাগী ইকনমি ওইনবা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা অসিদা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা মীপান তাংদুনা লৈবা লৈবাক অমত্তনা ইকনমিক নৎত্রগা রিজনেল সুপরপৱার ওইবগী পান্দম থম্বা ঙম্লোই হায়বসি নীংশিংগদবনি হায়না কোভিন্দনা ফোঙদোকখি।

সেন্টরনা অহাঙবা ফমশিং মেনশিন্দনা লৈবসিদা ঐখোয়গী খাংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরক্ত্রেঃ এস সী

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরগা মুক্নবা পামদে, তৌইগুম্বসুং মরু ওইবা ত্রাইব্যুনেলশিংগী হাঙলিবা ফমশিং মেনশিনবগী মতাংদা থীন্থদুনা লৈরিবসিদা ঐখোয়গী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরক্তরে হায়না চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী স্পেসল বেঞ্চ অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস এল নাগেশ্বারা রাওসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়, মতম শাংনা অহাঙবা ফমশিং মেনশিন্দনা লাকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ত্রাইব্যুনেলশিং মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবগী ফিভম অমা লাক্লে। ত্রাইব্যুনেল খরদি মেম্বর অমখক্না থবক তৌরি। কেসশিং চহীরোমদা এদজোর্ন তৌদুনা লৈরি।

জষ্টিস রামানানা সোলিসিটর জেনরেল টুশর মেহতাদা হায়খি, সেন্টরগী থৌওং অসি নিংবা কাইনিঙাইনি। ঐখোয়না অমুকসু নঙোন্দা নুমিৎ হুম্নি-মরিনিগী মতম পীরি। মথংগী হীয়ারিং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা মতম শাংনা হাঙদুনা লাক্লবা ত্রাইব্যুনেলশিংগী ফমশিং মেনশিনবগী মতাংদা গভর্ণ-মেন্টপু ৱাখল তাহন্নবা বেঞ্চ অসিনা মেহতাদা ময়েক শেংনা খঙহনখি।

হীয়ারিং হৌরকপদা মেহতানা মেট্টর অদু এদজোর্ন তৌবীয়ু হায়বদা জীফ জষ্টিসনা এদজোর্নমেন্টকী ৱাফম রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা হায়খি, কোর্ট অসিগী জজমেন্টশিং নখোয়না ইকায় খুম্নদে। থৌওং অসি ঐখোয়গী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল চাংয়েং তৌবনি হায়না লৌই।

সেপ্টেম্বর ৬তা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা মঙোন্দা থারকপা লেট্টর অমগী স্ক্রীনশোট অমা মেহতানা বেঞ্চ অসিদা খঙহনখি। লেট্টর অদুনা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, ত্রাইব্যুনেল রিফোর্মস এক্ট, ২০২১গী মখাদা রুলশিং শেম্বগী প্রোসেস লোইশিল্লক্লে। অথুবা মতমদা নোটিফাইদ তৌরগনি। অনৌবা লো অসিনা ত্রাইব্যুনেলশিংগী হাঙলিবা ফমশিং মেনশিন্নবগী লম্বী ফংলগনি। গভর্ণমেন্টনা মথংগী চয়োল অনীগী মনুংদা ত্রাইব্যুনেল পূম্নমক্কী অহাঙবা ফমশিং মেনশিন্নবগী ৱারেপ অমা শোয়দনা লৌনবা হোৎনরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা শেম্বা সার্চ-কম-সেলেক্সন কম্মিটিশিংনা গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী রিকমেন্দেসনশিং পীবা লৈখ্রে হায়না লেট্টর অদুদা পনখি।

অদুম ওইনমক, লেট্টর অদুগী ৱারোলদা পনবগী মহুত্তা বেঞ্চ অসিনা মেহতাদা ৱাহং কয়া হংখি অমসুং এক্ট অদুগী ক্রিটিকেল ওবজর্ভেসনশিংসু পীখি। জষ্টিস রাওনা এপোইন্ট-মেন্টশিং অদু চহী অমা মখায় হেন্না পন্দুনা লাক্লবনি হায়খি। জষ্টিস চন্দ্রচুদনা অনৌবা এক্ট য়াওরিবশিংদু মদ্রাস বার এসোসিএসনগী কেসশিংদা ককথ্রবশিংদুনি হায়খি।

অন্ধ্র প্রদেশ পুলিস ষ্টেসনদগী লুপা লাখ ১৬ হুরানখিবা কন্সটেবল ফারে

ভিজয়ৱোদা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): পুলিস ষ্টেসন অমদগী লুপা লাখ ১৬ হুরাল্লগা লোৎখিবা অন্ধ্র প্রদেশকী পুলিস কন্সটেবল অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফাখ্রে।

কৃষ্ণ দিষ্ট্রিক্টকী নুজভিদ পুলিস ষ্টেসনদা এটেচ তৌবা জনার্ধন নাইদু কৌবা কন্সটেবল অদু চেন্নাইদা ফাখি। মহাক হৌখিবা থাদা পুলিস ষ্টেসনদগী শেল হুরবা মতুংদা সিটি অসিদা লোৎতুনা লাকখি। পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা কন্সটেবল অদুদগী লুপা লাখ ১৪ রিকোভর তৌখি। মহাক নুজভিদতা পুরক্লগনি।

পুলিস ষ্টেসন অদুদা রাইটর অমা ওইনা থবক তৌরকখিবা জনার্ধন শেনফম অদু ওগষ্ট ২৯দা হুখি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেসন অদুদা থমখিবা শেনফম অদু লৈরমদবদগী মদুবু হুরানখ্রে হায়বসি সেপ্টেম্বর ২দা খঙলকখবনি।

শেনফম অদু ছুতি নুমিৎ ওইবনা বেঙ্ক থোঙ থিংবদগী সেফ ওইনবনি হায়দুনা য়ু য়োনবা লেকেল দুকান অমনা পুলিস ষ্টেসন অদুদা থমখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না শেনফম অদু অন্ধ্র প্রদেশ ষ্টেট বেভরেজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এ পি এস বি সী এল)গী একাওন্টতা দিপোজিটি তৌগদবনি।

কৃষ্ণ দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সিধার্থ কৌশলগী মতুং ইন্না, ষ্টেসন হাউস ওফিসরগী কমপ্লেন্টদা য়ূম্ফম ওইরগা হুরানবগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে। কন্সটেবল জনার্ধননা চপ চাবা মরম পীদনা ওগষ্ট ৩০দা ছুতি লৌখিবদা পুলিসনা চিংনখি। মোবাইল ফোনগী খূথাংদা কন্টেক্ট তৌবদা ফংদবদগী পুলিস টিম অমা মহাক্কী পোক্লফম ভিসাখাপতনমদা থাখি।

থীজিনবা হৌবদা কন্সটেবল অদু ইমুংগী খৎন-চৈনবনা মরম ওইদুনা দিপ্রেসন লৈখি হায়বসি খঙখি। শেনফম অদু হুরাল্লবা মতুংদা কন্সটেবল অদু চেন্নাইদা চেনখ্রে হায়বসিসু খঙলকখি। মহাক মমৈথংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিটি অদুদা ফাখি। থৌদোক অসিনা পুলিস দিপার্টমেন্টপু ইকায়বা নংহনখি। এস পিনা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা ওর্দর তৌখ্রে।

জে দি য়ুগী এম এল এনা মপুরোইবা হাৎখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): জে দি য়ুগী এম এল এ রিঙ্কু সিংহগী মায়োক্তা পুলিসনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎত্রে হায়না বিহারগী ভালমিকি নগরদগী নুপী অমনা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারদা ৱাকৎখ্রে।

কমপ্লেনেন্ট কুমুদ ভর্মানা হায়খি, ভালমিকি নগরদগী কাবা জে দি য়ুগী এম এল এ রিনকু সিংহ চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা মহাক্কী মপুরোইবা হাৎখিবদা চেন্নৈ। তৌইগুম্বসুং বিহার পুলিসনা মহাকপু ফাখিদে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পটনাদা পাঙথোকপা জনতা দরবারদা কুমুদ ভর্মা লাকখি। ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎলকখিবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা কমপ্লেনেন্ট নুপী অসিবু খূদক্তা দি জি পি এস কে সিংহালদা থাখি।

কুমুদ ভর্মাগী ৱাফম তারবা মতুংদা নিতিস কুমারনা হায়খি, মহাকপু দি জি পিদা পুবিয়ু কেস অসি দি জি পিনা য়েংশিনগনি। ভালমিকি নগরগী এম এল এ অনি-ববলু কুমার অমসুং শকিল হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিলর দয়ানন্দ ভর্মা হাৎপগী চার্জ মায়োক্লরি। লৈখিদ্রবা অসিগী লোয়নবী কুমুদ ভর্মাগী অইবা কমপ্লেন্টতা য়ূম্ফম ওইরগা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

দয়ানন্দ ভর্মা ফেব্রুৱারী ১৪দা বাখা টাউনগী সিরিসিয়া চোকতা সপোর্টরশিংগা ইন্টরেক্সন তৌরিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না, বাইক তোংবা মশক খঙদবা মীওই অনী লাক্লগা মঙোন্দা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিনখি। ভর্মাগী মশাদা নোংমৈ মরূ মরি পাল্লমখি অমসুং মহাক সব-দিভিজনেল হোস্পিটাল, বাঘাদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি।

দয়ানন্দ ভর্মা পোলিটিসন অমা ওইবদা নত্তনা বাঘা অমসুং থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কনট্রেক্টর অমসু ওইখি। য়েৎনবা নৎত্রগা য়ানদবা লৈবদগী মহাকপু হাৎখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা রিনকু সিংহ অমসুং মহাক্কী এইদ অনি লোৎখি।

লোকল চৎনবীশিং শীজিন্নবনা ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা মতেং ওইগনিঃ প্রাইম মিনিষ্টর

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): লোকল চৎনবীশিং শীজিন্নবা অসিনা ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা মতেং ওইগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা হিমাচল প্রদেশকী কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী বেনিফিসরিশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ইন্টরেক্সন অদুদা মোদিনা হায়খি, হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মনুংদা থেংনবা খ্বাইদগী চাওবা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনবদা হিমাচল প্রদেশনা শীংথানিংঙাই ওইবা ফিদম উৎপা ঙম্লি।

হিমাচলনা ইলিজিবল মীওই খূদিংমক য়ামদ্রবদা কোরোনা ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্লবা ইন্দিয়াগী অহানবা ষ্টেট ওইরে। ‘আত্মাভিশ্বাস’ অমসুং ‘আত্মানিরভার্তা’গী মরু ওইবদু মসিনি। শিমলাদা লৈবা সিভিল হোস্পিটালগী দোক্টর রাহুলগা ৱারী শানবদা মোদিনা ভেক্সিন ৱেষ্টেজ য়ারিমখৈ হন্থহনখিবা টিমবু থাগৎখি।

ভেক্সিনেসন বেনিফিসরি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মোদিনা ভেক্সিনেসনগী ফেসিলিটিশিংগী মতাংদা অমসুং ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা শংদাল্লিবা তোকঙাশিং মখোয়না করম্না থেংনখিবগে হায়না হংখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কুল্লুদগী আশা ৱর্কর নির্মা দেবীগা ৱারী শানখি অমসুং ভেক্সিনেসন দ্রাইভকা মরী লৈনবা মহাক্কী এক্সপিরিএন্স হংখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ভার্চ্যুএল ওইনা ঙাঙবা অদুদা ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা মতেং ওইনবা লোকল চৎনবীশিং শীজিন্নবা মথৌ তাই হায়খি। টিম অদুনা পুথোকখিবা দাইলোগ অমসুং কোলাবোরেসনগী মঙৎবু মহাক্না থাগৎখি অমদি ভেক্সিন কাপ্নবা হোৎনবদা টিম অদুনা করম্না অমসুং কয়াম শাংনা চৎখিবগে হায়না হংখি।

মীওই২২,৫০০ ভেক্সিন কাপখিবা উনাগী কার্মো দেবীবু থাগৎলদুনা পি এমনা, কার্মো দেবীগুম্বা মীওইশিংনা কন্না হোৎনবদগী মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি লেপ্তুনা চথবা ঙম্বিবনি হায়খি।

ফ্লাইট টৌইলেটতা লোৎলম্বা সনা ফারে

হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): হায়দরবাদতা লৈবা রাজিব গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা কষ্টমস ওফিসলশিংনা দুবাইদগী লাকপা ফ্লাইট অমদগী সনা খাঙেন অহুম ফারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপা লাখ ১৭.১৪৯গী ভেল্যু ওইবা অমসুং গ্রাম ৩৪৯.৮০ লৃম্বা সনা খাঙেনশিং অদু ফ্লাইটতুগী টৌইলেট মনুংদা লৈবা ট্র্যবলাইট চোক মনুংদা লোৎলমখি। সনা খাঙেনশিং অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা দুবাইদগী পাইরকখিবা ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ঈ ০২৫ দগী ফাখিবনি।

হাইদ্রবাদ কষ্টমসনা মশক খঙদবা পেসেঞ্জর অমগী মায়োক্তা সনা স্মাগ্লিংগী কেস অমা বূক তৌখিবগা লোয়ননা একুজ অদুগী খোঙ্গুল লীনবা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে। মসি চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা এয়রপোর্ট অসিদা থেংনবা অহুমশুবা সনা স্মাগ্লিং কেসনি।

সেপ্টেম্বর ৩দা শারজাহদগী পাইরকখিবা ফ্লাইট পেসেঞ্জর অমদগী লুপা লাখ ৪৩.৫৫ গী ভেল্যু ওইবা সনা গ্রাম ৮৯৫.২০ কষ্টমস ওফিসলশিংনা ফাখি। সনা অদু পেসেঞ্জরদুগী অন্দরগ্রাওন্দ মনুংদা পেষ্ট ওইনা লোৎলমখি। নুমিৎত্তা থংনবা মমাঙগী নুমিৎতা কষ্টমস ওফিসলশিংনা দুবাইদগী থুংলবা পেসেঞ্জর অমদগী লুপা লাখ ২৪.১৪গী ভেল্যু ওইবা সনা গ্রাম ৪৯৫ ফাখি।

সনা অদু অকে-অমৌগী পোৎলমশিং- ব্লেন্দর, ফেসিএল ক্রীম বোক্স, সেন্দলনচিংবদা হৈ-শিংনা লোৎলগা পুরম্বনি। কষ্টমস ওফিসলশিংনা সনা স্মাগ্লিংগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

মাইনিং থিংখিবদগী শেন্দোল ৱাংলক্লে

পনাজি, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): গোৱাদা মাইনিংগী থবক খূদিংমক থিংজিনখিবদগী ষ্টেট অসিদা তোল্লিবা শেন্দোনগী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ২৩,০০০ হেল্লে। ফিভম অসি লাকপদগী গোৱাদা মাইনিংগী থবকশিং অমুক হৌহন্নবা ষ্টেট অসিগী মাইনিং কম্যুনিটি হায়বদি মাইনিং ৱর্করশিং, লোজিষ্টিক্স ইন্দষ্ট্রি, বার্জ, পোর্টনচিংবদা থবক তৌবশিংনা সুপ্রিম কোর্ট, সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা আপীল তৌরি।

ষ্টেট অসিগী শিথরবা শেল-থুমগী ফিভম অমুক হন্না ফগৎনবা অমসুং মাইনিংগী মপান তাংলিবশিংবু অৱাবদগী কন্নবগীদমক্তা খূদক্তা মাইনিংগী থবক হৌহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না ষ্টেট অসিগী মাইনিং কম্যুনিটিনা হায়রি।

মখোয়না হায়, গোৱাদা মাইনিং লেপখিবদগী ষ্টেট অসিগী ন্যুক্লিয়র ফেমিলি অমদা চাংচৎতা তোল্লিবা শেন্দোল অসি লুপা লাখ ৫ নি হায়না পায় অমসুং ষ্টেট অসিদা তোল্লিবা শেন্দোল অপূনবনা লুপা ক্রোর ২০,০০০ দগী হেল্লি।

গোৱাগী মীয়ামদা করি চৈথেং নংলকপা য়াই হায়বসি উশিনবা তৌদনা ষ্টেট অসিদা মাইনিংগী থবক পুন্না লেপখিবসি চহী অহুম্নখাই ফাজিল্লক্লে। মসিনা মাইনিংগী থবকশিং শুদুনা হিংজবা গোৱান চাদা ১৫-২০গী শেন্থোক লম্বীদা চাওনা শোকহল্লে।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না খঙহৌদনা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ১৬তা মাইনিংগী থবক পূম্বা লেপখিবদগী ষ্টেট অসিগী মীওই ৩,০০,০০০দা চৈথেং পীখি।

নুপী অহুমদা নোংমৈ কাপখ্রে

পটনা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী): বিহারগী ৱেষ্ট চম্পরান দিষ্ট্রিক্টতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মী অমনা মহাক্কী লোয়নবী য়াওনা নুপী অহুমদা নোংমৈ কাপখ্রে। একুজ নরেশ শাহ দেল্লী কেন্টনমেন্টতা পোষ্টিং তাবদগী ছুতি লৌরগা বিহারদা থোক্লকপনি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা মহাক য়ু ঙাওখি হায়রি।

একুজ অদুগী লোয়নবী অমসুং কমপ্লেনেন্ট অনিতা শাহনা হায়খি। ঐহাক্কী ইপুরোইবা অয়ুক্তা য়ু ঙাওখি অমসুং ঐঙোন্দা ফূ-চৈবা তৌখি। ঐহাক য়ুমদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি অমসুং খুঙ্গংগী নুপী গ্রুপ অমগী ময়ুমদা লোৎতুনা লৈখি। ঐহাক্কী ইপুরোয়বা দব্বল-বেরেল রাইফল অমা পায়রগা ঐহাক তম্না চেনশিল্লকখি। মহাক্না নুপীশিং অদুদা ঐঙোন্দগী হন্দোক্লবা হায়খি। তৌইগুম্বসুং ঐহাকপু কন্নবা মখোয় হন্দোকউ য়াখিদে। মমৈথংদা নরেশনা মখোয়দা দব্বল বেরেল অদু কাপখি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref: Mutation Case No. 10/AS&SO/TBL, Dt. 29-04-21

1. Puyam Ongbi Laibi Devi W/o (L) Niladhaja Singh of Langathel Mamang Leikai
2. Puyam Ongbi Bimola Devi W/o (L) Tampha Singh of - do -
3. Puyam Mikhu Devi W/o (L) Tampha Singh of - do -

-Vrs-

Puyam Nila Singh S/o (L) Liklai Singh of Langathel

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt. 04-09-2021

Under Section-46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল খোংজোম খুল নং ৪৫-লাংঙথেল মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ১৮৬ (অরিবা) ২৭২ (অনৌবা) দাগ নং ৪০৫ এরিয়া .২৮৬০ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমৌনুপী অহুমদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চংথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/6969/7

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref: Mut Case No. 173/AS&SO III Date 4/9/2021

Singsei Letkhosei Haokip S/o S. Donkhothang Haokip of New Lambulane. -Petitioner

-Vs-

Tongminlen Haokip S/o Late Donkhothang Haokip of New Lambulane, Nongpok Ingkhol. -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal, 6/9/2021

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26-(A) Nongpok Ingkhol পাট্টা নং ১৪৯৯/১৫৭৩ অরিবা ২৩৫ অনৌবা, দাগ নং ২১৯৫ এরিয়া .০১২২ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Tongminlen Haokip মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৫/০৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, III, Manipur

HL-P/6961/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (SOUTH)

Ref. Mutation Case No. 128/SDC/IW(S) of 2021

1. Yumnam ongbi Thagoi Devi W/o (L) Y. Kunjabihari Singh of Mayang Imphal Thana Maning Khunou
2. Yumnam Tomba Singh S/o (L) Leibakmacha Singh of Mayang Imphal Thana Maning Khunou. (.145) -Petitioners

-Vrs-

Late Yumnam Kunjabihari Singh S/o (L) Leibakmacha Singh of Mayang Imphal Thana Maning Khunou.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Mayang Imphal, the 4th Sept., 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Under Patta No. 174 (N) Dag No. 2200 গী area .34 (Petitioner No. 1 share .195 & Petitioner No. 2 .145) একর চাওবা ইঙ্খোল ক্লাস, Village No. 77-Kokchai অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া .34 একর অসি পিটিস্নর ঐখোয়গী মিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC:IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি, পাউচে অসিনা হেক ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC:IW(S) Mayang Imphal গী কোর্টতা অইবা চেনা complaint ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West (South), Mayang Imphal

HL-P/6962/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Ref :- Mutation Case No. 196/SDC/NTK/2021

Nongmaithem Memcha Devi W/o (L) N. Mangi Singh of Ningthoukhong Khunou .... Petitioner

-Vrs-

Late, Nongmaithem Mangi Singh S/o (L) N. Mani Singh of Nachou .... Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Ningthoukhong, the 6th Sept. 2021

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 41-Nachou গী Patta No. 63 (O) 146 (N) C.S. Dag No. 1218 and 215 an area 0.0131 out of 0.25 Ingkhol Class, 0.0404 acre phourel class অসিগী Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ Petitioner অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল, ফৌরেল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Ningthoukhong

HL-P/6970/7

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

Ref. Mutation Case No. 152/SDC/Bishnupur, 2021

Tombi Chothe D/o (L) Tollei Chothe of Chothe Khun ... Petitioner

-Vs-

Co-Pattadar No. 1 and 3
(1) Late Thambalmacha Chothe D/o (L) Tollei Chothe of Chothe Khun
(2) - do - Kumar Chothe S/o Bokul Chothe of - do - ... O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Bishnupur, the 6th Sept, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Co-Pattadar No. 1 and 3 (1) Thambalmacha Chothe and (2) Kumar Chothe all of Chothe Khun দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাট্টা নং 233 (অরিবা) 188 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 186 and 3053 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কন্নাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Bishnupur

HL-P/6965/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 147/SDC/NBL of 2021

Brahmacharimayum Ganga Devi W/o. Yendrembam Surkanta Singh of Wahengkhuman Mamang Leikai *- Petitioner*

-Vrs-

(Late) Brahmacharimayum Imopishak Sharma S/o. (Late) B. Tonsana Sharma of Yaiskul Moirangkhom, Thumbuthong, Imphal *- P.O.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt 06-09-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village 23-Maibam, Patta No. 23/222 (Old) 23/483 (New), Dag No. 359 an area of 1.28 acre of ফৌরেল Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ফৌরেল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/6963/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 146/SDC/NBL of 2021

Brahmacharimayum Amit Sharma S/o. (Late) B. Imopishak Sharma of Moirangkhom Thumbuthong, Imphal. *- Petitioner*

-Vrs-

(Late) Brahmacharimayum Imopishak Sharma S/o. (L) B. Tonsana Sharma of Yaiskul Moirangkhom Thumbuthong, Imphal *- P.O.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt 06-09-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village 23-Maibam, Patta No. 23/483/1248 (New), Dag No. 360 an area of 2.57 acre of ফৌরেল Class হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ফৌরেল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/6963/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 248 of 2021

Naorem Doren Singh S/o. (L) Ningthemjao Singh of Oinam, Ward No. 2 *- Applicant*

-Vrs-

(L) Naorem Ningthemjao Singh S/o. (L) Moirangningthou Singh of Oinam *- O.P. pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Oinam, the 6th Sept. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩০- ওইনামগী পাট্টা নম্বর ৩২৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৮২ এরিয়া একর ০.৮৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারাগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারথারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- S. Budhichandra Singh
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/6966/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 249 of 2021

Naorem (N) Pheiroijam Ibemchaobi Devi D/o. (L) Ningthemjao Singh & W/o. Ph. Rajendro Singh of Charangpat Mamang Leikai *- Applicant*

-Vrs-

(1) Keisham Kumar Singh S/o. (L) Kullachandra Singh of Keishampat
(2) (L) Naorem Ningthemjao Singh S/o. (L) Moirangningthou Singh of Oinam, Ward No. 2 (0.62 acre)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Oinam, the 6th Sept. 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩০- ওইনামগী পাট্টা নম্বর ৬০০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১০৪ এরিয়া একর ১.৩৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নম্বর ২ অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী শরুক মখৈ মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারাগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারথারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- S. Budhichandra Singh
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/6966/7

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

Ref :- Mutation Case No. 148/SDC/NBL of Nambol

(1) Chungkham Gunamani Singh S/o. (L) Thoiba of Kakyai Mamang Leikai
(2) -do- Mocha S/o. Tomba of -do-
(3) -do- Sharat S/o. -do of -do-
(4) -do- Shanjit S/o. -do- of -do- *- Petitioner*

-Vrs-

(Late) Chungkham Tarpon Singh S/o (L) Ch. Khuman Singh of Kakyai *- P.O.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt 06-09-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai Langpok, Patta No. 267 (Old), 236 (New), Dag No. 407 an area of 0.80 acre of ইংখোল Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/6963/7

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III

Ref: Mut. Case No. 172/AS&SO/III Date : 4/9/2021

1. Thokchom Kunjarani Devi W/o Late Jilla Singh of Kongpal Kongkham Leikai.
2. Thokchom Itobi Singh S/o Late Thokchom Tompishak Singh, Kongpal Kongkham Leikai. -Petitioners

-Vs-

Thokchom Jilla Singh S/o Late Tompishak Singh of Kongkham Leikai. -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal/Dated : 6-9-2021

Under Section 46(3) of MLR and LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. ২৩-কোংখাম লৈকাই পাট্টা নং. ১/অংশ অরিবা ৩৬/১২৮ অনৌবা দাগ নং ২২/১৬৯ এরিয়া দংকারী অহানবা শ্রী থোকচোম কুঞ্জরানী দেবী ফংগদবা এরিয়া নোংচুপ থংবদা .১০৩৫ একর অমসুং দংকারী অনীশুবা শ্রী থোকচোম ইতোবী সিংহনা লেমহৌবা এরিয়া .০৪ একর নোংপোক থংবনি। ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার থোকচোম জিল্লা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer III
Lamphelpat, Manipur

HL-P/6961/7